থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# শেল চাদবা লৈঙাকপা ! থোক্লক্কদ্রনে লমসিদা?

মার্চ ১০, ২০২২দা লাউথোকখিবা ১২শুবা বিধান সভা মীখলগী ফল অদুগী মতুংইন্না করম করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী লেজিসলেচর ওইনা ফমগদগে-পূম্নমক্কা খঙনরে। অরেম্বদা স্পেস কন্নবনি-সুগায়না অমুক ইজররোই। ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী মঙা, অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীহুৎ অমা, মখোয় তরুক নত্তনা, অতৈ মীহুৎ পূম্নমক্কদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লৈঙাক অসিবু শৌগৎলগনি হায়বা ৱারেপ লৌখ্রবনি। হায়বদি, এম এল এ হুম্ফু লৈবা এসেমব্লী অসিদা য়াঙ্খ্রেমরীদি রুল্লিং পার্টিগী মেম্বর ওইরবগুম্বনি। অদুবু, গভর্ণমেন্ট ফোর্মেসন'দা য়াওরিবা, পৱার সেয়র তৌমিন্নরিবদি শুপ্নগী পার্টি অনীখক্তনি- বি জে পি অমসুং এন পি এফ। পার্টি অনীসিগী অপূনবা এম এল এ মশীং ৩৭নি (বি জে পিগী ৩২, এন পি এফকী ৫)। এন পি পিগী ৭, জে দি (য়ু)গী ৬, কে পি এগী ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ২, মখোয় তরাতরেৎ অসিদি সরকার পায়মিন্নবা রুল্লিং এম এল এনি হায়দুনা তুংদা খুদোংচাবা খরা পীরক্কনি/ফংগনি হায়বগী আশাদা সপ্পোর্ট তৌবা ওইরমগনি। স্ত্রোং, স্তেবল এন্দ ত্রান্সপরেন্ট ওইবা, পিপল-ওরিয়েন্টেদ ওইবা লৈঙাক অমা ওইহনগে খন্না লৈঙাকসিদা শৌগৎখিবা ওইরম্লোই- পূম্নমক্কা ঙাঙনবনি।

ঐখোয় খঙই- হন্দক্কী ইলেক্সন মতূংসিদা, হৌজিক অপূনবা রুল্লিং পোলিটিকেল-ফ্রন্ট'নি খঞ্জরিবা পার্টিশিং, মীখল মমাঙদা পূনশিন্নদুনা প্রি-পোল-এল্লায়েন্স শেম্বগী ৱাখল লৈনখিদে। বি জে পি মথন্তনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্বগী মশীং য়ৌনা কারক্কনি হায়বা, মখোয় কনামত্তনা থাজখিদে। লৈঙাক শক্তি পায়নবা, নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লায়েন্স নৎত্রগা নোর্থ-ইষ্ট-দেমোক্রেটিক এল্লায়েন্সকী পার্টনরশিংগী মতেং নীরক্কনি হায়বসি থাজবনি মখোয়গী। নাগা পিপলস ফ্রন্ট-প্রি-পোল-এল্লায়েন্স পার্টনর ওইখিদ্রবসু, পৱার সেয়র তৌনদুনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা য়াওহল্লিবা, মণিপুর ষ্টেট বি জে পি লুচিংবশিংগী মরন্নাই ৱাখলনা নত্তে, সেন্ট্রেল লিদরশিংগী অকনবা পোলিটিকল প্রেসরদগীনি-খঙদবা কনাবু লৈরমগদগে? বি জে পি মথন্তনা এম এল এ কুন্থ্রানিথোই কাদুনা, অতোপ্পা কনাগীসু মতেং লৌদনা লৈঙাক শেম্বা য়ারবদু শেমদনা, এন পি এফসু য়াওহল্লিবা-নাগা এপিজমেন্ট পোলিসীগী শরুক অমনি। মখোয়, খঙফম থোকই খঙলমগনি- নোংথোম্বম বিরেন'না লুচিংবা, মিনিষ্টর তরানিথোইগী কেবিনেট অসিদা পেন্দবা বি জে পিগী এম এল এ, চীনবান মকা ফোংদবই ৱানি, ওখাক য়াম্না লৈরমগনি। বি জে পিগী ওরিজিনেল এম এল এ নত্তবা, লৈঙাকসিদা শৌগৎলগা, মখোয়বুসু মিনিষ্টরদুদা য়াওহল্লক্কনি খঞ্জখিবা অতোপ্পা পার্টিগী এম এল এ খরসু লৈরমগনি- থা নৎত্রগা চহী অমা/অনীগী তুংদা হৌরকপা য়াবা 'লুচিংবা-শীনবই-লানহৌ'দুদা মশক-নাইবা, মকোক-থোংবা লুচিংবা অমা ওইনা শরুক য়াগে খন্দুনা মথম্মোয়দা তেমশিংনবা। কৈদৌরুনি হৌজিক্তি, য়েংদুনা লৈবা তাবনি। থীল্লক্লিবা পূঙদুগী পূঙলোন তারগা, তাম্বাদুদা জগোয় শাবা তাবনি।

মিনিষ্টর ফম অমা শোয়দনা পীরক্কনি থাজজবা, রুল্লিং পার্টিগী এম এল এ অমগী ৱার্কর অমগা, অমা নত্তে খরগা, নোংমা ৱারী শানৈ, ঐগী মরুপ অমগীদা। পূম্নমক ইখঙ খঙনবা ঙাক্তনি। সোসল মীদিয়াদা, লৈরক কোনসাংদা পংঙাঙ ঙাঙনবা ৱাদুনি- মিষ্টর এ বি সী/এক্স ৱাই জেৎ অকোনবগী কেবিনেট এক্সপান্সন অসিদা য়াওরক্কনি/য়াওরক্লোই। মীগী চীনবু কনানা মেল্লুবা ঙমগনি- তাবদা তু চুংলবা, থাজবা ৱারবা ৱা কয়ানি মফমদুদা ঙাঙনখিবা... ইলেক্সনদা চঙখিবা শেনফমদুদগী মিনিষ্টর-ফম তান্নবদা চঙবা শেনফমসিনা হেন্না য়াম্লক্লে... হন্দক্কী লৈঙাক অসিদি দেল্লীনা পুরা রিমোৎ কন্ট্রোল পায়রগা চলাইবা গভর্ণমেন্টনি, মিনিষ্টর অমত্তনা ফের হাইবা য়ারোই... চীফ মিনিষ্টর'না, মহাক্না লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিগী এম এল এ'শিং কৌদুনা থবক হাপ্পদা শেল চাবীরগনু, মতিক চাবা মী খন্দুনা থবক হাপসি, ইলেক্সনদা শেল চঙই, মথংগী ইলেক্সন থেংননবা শেল তান্নবগী অতোপ্পা পান্থে পীগে হায়খ্রে... অসিনচিংবা, চীফ মিনিষ্টরগা হেক ফম্মিন্নরুবদৌনা তম্লকপা মীসু য়াওখি। তাবগী শরুক্তনি ঐগীদি। ঐগী সবজেক্ট নত্তবনা ৱারীদুদা য়াওশিল্লুদে। খুমগেদি খনখি- হন্দক্কী ইলেক্সন'দুদা ভোট কানবা হোৎনবদা কেন্দিদেটশিংনা চাইথোকখিবা শেনয়াম... মন্ত্রি ওইনবইদমক অমুক শেল তিংনরবদি কদায়দগী অফবা লৈঙাক্লো লাক্কদৌরিবা ! পাউচেশিংদা রিপোর্টশিংনা ইরকপা রিপোর্ট'সু পাখি- কনাগুম্বা অঙম-অথৌ, অচৌ-অশাংশিংনা করিগুম্বা মরম/থবক অমগী থৌজালগীদমক শেল লৌবা/চাবা থেংনরবদি শেল পীরম্বা অমদি লৌরম্বা অনীমক চৈরাক পীগনি। শেল চাবা, করপসন তৌবা কনামত্তনা মহাক শেল চায়, করপসন তৌই হায়বসি কৈদৌনুংদা মরাল য়াজরোই। শেল পীরুবা মীদুনদি করিগুম্বদা হায়দোরক্কদ্রা !... ঐনা থবক চঙলিবসি, তরায় তরায় হেক্তা চঙলকপা ওইরবোই নীংলুরবরা... লুপা লাখ লাখনা থোং শাদুনা লাল্লক্লিবনি- চহী মঙা-তরুক্কী তোলোপ'নগা হঞ্জিনবা ঙমগদবা নত্তে...। হৌজিকমকসুনি- মমাঙগী লৈঙাক্তুগী মিনিষ্টর অমদা, থবক্কীদমক পীশিনখিবা লুপা লাখ কুন-কুন্থ্রা, মীখলদুদা মায় পাল্লকখিদবদগী মকোক্তা খুৎ হাপ্লিবা ঐগী মরুপ অনী লৈ। মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমগী থবক লৌবদা, দিপার্টমেন্ট/পোর্টফোলিও অদু পায়রিবা মিনিষ্টরনা শেল চাদনা মেরিটোরিয়স কেন্দিদেট খল্লগা হাপলক্কনি হায়বা ৱাখলদুদি, ঙসি হিংমিন্নরিবা মীরোলসি ফাওবদি খন্দবনা ফগনি। মিনিষ্টরশিংনসু হায়বীদবনা ফগনি। মরমদি, মদু হায়রুবা মিনিষ্টরদু খ্বাইদই মচিন থিবা, ওইদবা ঙাঙবা মী অমনি হায়না পূম্নমক্কা ঙাঙনখিনি।

হোয় ! দেল্লীগী অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগুম্বা, পোর্টফোলিও অমত্তা পায়দবা চীফ মিনিষ্টর অমা থোক্লক্তুনা, থবক্লা ঊৎপা লৈঙাকপা অমত্তং থোরক্লবদি মীয়ামদা থাজবা পোক্লক্কদ্রা?

# লৌশিং পুক্কে

## লফোইনা মীওইবগী

### হকশেলগা মরী লৈননা পীরিবা কান্নবশিং



মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না চানরিবা উহৈশিংগী মনুংদা লফোইসু অমনি। কান্নরবা মচল কয়ামরুম য়াওরবা লফোই অনীখক চারবদি চাক চরা অমা চাবগা চপ মান্ননা কান্নবা ফংই হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি লফোইদা মখল কয়াগী ন্যুট্রিয়েন্ট, ভিটামিন, ফাইবর, লোয়ননা সুক্রোজ অমদি ফ্রক্টোজগুম্বা নেচরেল সুগর য়াওবননি।

য়েংবদা মশক ফজবা হঙ্গামপাল মচুগী মশা নানবা লফোই অমুনবা চানিংলোইদবা কনাবু লৈরমগদগে। অদুবু মফম-মফম কয়াদা নাপু মচু চঙলক্তুনা খাল্লকপদগী মশক থীজিল্লক্লবদি লফোই অদু পৎলে, চাবদা কান্নররোই খন্দুনা লংথোক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়রিবদি লফোইগী মচি-মচিদা নাপু মচু চঙলক্তুনা খামজিল্লকপগী চাং হেল্লিবমখৈ হকচাংদা কান্নবা হেল্লি হায়বসিনি। লফোই অমুনবদা ট্যুমর নেক্রোসিস ফেক্টর (টি এন এফ) গী চাং ৱাংনা য়াওবনা কেন্সর লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি। মসিগীসু মথক্তা ইম্ম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা মরম্না দিপ্রেসন, কোন্সটিপেসন, থবাক শাবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, অলসর অমদি ঈ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কোকহল্লি হায়রি।

অখঙ অহৈশিংনা হায়রি, চহী চুপ্পা ফংলিবা অমসুং ইহোঙ হোঙবা লফোইগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। লফু পান্বীদগী হৌরগা, লা, লফোই অমদি লফু থারোনচিংবা পুম্নমক লোইনা কান্নে। লফোই অমখক চাবদা কেলোরি ১০৫ ফংবা ঙম্বা মরম্না খুদক্তা হকচাং তেকখৎহল্লি।

মেগনেসিয়ম অমসুং পোটাসিয়ম মরাং কায়না য়াওবা লফোই চাং নাইনা চারবদি মশল পোৎথাহনবগা লোয়ননা খোঙ-খুৎ শিথবা অমদি তুল্লিঙৌদো মশল চেনখৎলকপগী অৱাবা কোকহল্লি। পোটাসিয়ম মরাং কায়না য়াওবা লফোই চাবনা ব্লদ প্রেসর রেগ্যুলেট তৌবা মরম্না হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক তৌহন্দে। চাকখাউদা এসিদ থোরকপগী চাং হন্থহনবা মরম্না অলসর অমসুং এসিদিটিগী খুদোংচাদবা কোকহল্লি।

ফাইবর অমদি পেক্টিন মরাং কায়না য়াওবা লফোই চাবনা খোঙ হাম্বা চাং নাইহল্লি অমসুং কোন্সটিপেসনগী অৱাবা কোকহল্লি। কনাগুম্বনা খোঙ হামথবদগী হকচাং চোকথরকপা তারবদি লফোই চাবা মতমদা হকচাং কনখৎহল্লি। দাইরিয়া তৌবা মতমদা হকচাংদগী মহী অমসুং ইলেক্ট্রোলাইট য়াম্না মাঙখিবা মরম্না দিহাইদ্রেসনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকই। অদুবু লফোই চাবা তারবদি মাঙখিবা পোটাসিয়মগী শরুক পুম্নমক খুদক্তা ফংবা ঙম্বা মরম্না হকচাং কনখৎলকই। খোঙ হামথবা থোক্লবদি মাঙখিবা পোটাসিয়ম মেনখৎনবগীদমক লফোই চাশিনগদবনি।

লফোইদা য়াওবা ফ্রক্টো ওলিগো সকরাইদ (এফ ও এস) তা প্রোবাইওটিক্কী মগুন চেল্লি। মসিনা ইন্টেষ্টাইনদা অফবা মহীক্কী মশীং হেনগৎহনবা মরম্না পূক নুংশিৎ কাহন্দে। হকচাংনা কেলসিয়ম চুপশিনবদসু মতেং পাংবা মরম্না শরুগী মপাঙ্গল কলহল্লি। চাং নাইনা লফোই চারবদি হকচাংদগী অহেনবা মহী লৌথোকখিবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা কিদনিদা নুঙ লৈহন্দে অমসুং হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং শেংদোকই।

কনাগুম্বনা তুম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি চাং নাইনা লফোই চাবা কান্নগনি। লফোইদা য়াওবা ট্রিপ্টোফেননা ব্রেন য়ৌরগা সেরোটোনিনদা ওন্থোরকই। মসিনা ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা কন্সেন্ট্রেসনগী লেবেল ৱাংখৎহল্লি। লফোই চারবদি সেক্স্যুয়েল হোর্মোন পুথোকপদা মতেং পাংবা ন্যুট্রিয়ন্টশিং ফংবা ঙম্বনিনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। হকচাংনা সেরোটোনিনি পুথোকপগী খলকায়হন্দবা মরম্না য়ুম্বান পুন্সি মরেক মহাউ থোকহল্লি হায়রি। মতৌ অসুম্না হকচাংদা কান্নরবা মগুন কয়া চেল্লি। অদুবু য়েংবদা তরু-তানানবা লফোইদগীদি মচেৎ মচেৎ খামদেক্লবা অপৎপা মানবা লফোইনা হকচাং ফবা হেল্লি।

গ্রাম ১২০ লুম্বা লফোই অমুনবা অমদা য়াওরিবসি কেলোরি ১০৫, সোদিয়ম মিলিগ্রাম ১, কার্বোহাইড্রেট গ্রাম ২৭, দাইটরি ফাইবর গ্রাম ৬, সুগর গ্রাম ১৪.৪, ষ্টার্চ গ্রাম ৬.৩, প্রোটিন গ্রাম ১.৩, ভিটামিন এ ইন্টর্নেসনল য়ুনিট ৭৫.৫, ভিটামিন সী মিলিগ্রাম ১০.৩, ভিটামিন ঈ মিলিগ্রাম ০.১, ভিটামিন কে মাইক্রোগ্রাম ০.৬, রাইবোফ্লেবিন মিলিগ্রাম ০.১, নিয়াসিন মিলিগ্রাম ০.৮, ভিটামিন বি-৬ মিলিগ্রাম ০.৪, ফোলেট মাইক্রোগ্রাম ২৩.৬, পেন্টোথেনিক এসিদ মিলিগ্রাম ০.৪, কোলিন মিলিগ্রাম ১১.৬, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৫.৯, আইরন মিলিগ্রাম ০.৩, মেগনেসিয়ম মিলিগ্রাম ৩১.৯, ফোসফরস মিলিগ্রাম ৩১.৯, পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ৪২২, সোদিয়ম মিলিগ্রাম ১.২, জিঙ্ক মিলিগ্রাম ০.২, কোপ্পর মিলিগ্রাম ০.১, মেনগনিজ মিলিগ্রাম ০.৩, সেলেনিয়ম মাইক্রোগ্রাম ১.২ অমসুং ফ্লোরাইদ মাইক্রোগ্রাম ২.৬ নি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯গী ৱিন্নর অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী খোরিরোলবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবগী পান্দমদা পাউচে অসিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯শুবা তাঙ্ককী ৱিন্নর লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাওথোং অয়ুংবা ময়াই লৈকায়দা লৈবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে।

পাউচে অসিগী লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯শুবা তাঙ্ককী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ফোঙদোরকখিবদা, পাউচে অসিনা মণিপুরী খোরিরোলবু চাউখৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা হায়দুনা লিটরেরি ক্যুইজ অসিমক মতম কুইনদগী চথরক্লি। থা অমদা অনীরক শেলগী মনা থন্বীদুনা কথোকপগা লোয়নদা পার্টিসিপেন্টশিংবু পূক্লিং থৌগৎপীদুনা লাক্লি। মসিগীদমক পাউচে অসিবু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মতম কুইনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বসু ওইরসনু। ঐহাক ইশামক ক্যুইজ অসি য়াওরকঙৈদগী নোংম-নোংমগী লাইরিক্তা লাইচুবা হেল্লক্লে। পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই মরকসিদা ঙাইহাক ঙাইহাক পোত্থাদুনা মখল-মথেলগী লাইরিকশিং পানিংবা অমদি থিজিন্নিংবগী পূক্লিং ইথিল অমা পীবীবগা লোয়ননা তোপ তোপ্পা পুন্সিগী মহাও অমা ফংবা ঙমজরে। ৱিন্নর ওইরকপা ওইরত্তবা তোকখ্রগা মথংগী অনৌবা ৱাহংশিং লাকপা ঙাইবদা ঙাইঙমদবা পোক্লে।

অদুগা মরক মরক্তা ক্যুইজ অসিগী ৱিন্নর ওইরকপদা মতম মতমদুগী পূক্লিংদা ফাওরকপা অনীংবা-অপাম্বা অমদি ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোকচনবগী খুদোংচাবা অমা ফংজবসিসু য়াম্না নুংঙাই। মীয়াম্না পাবীবা-পাবীদবা, খঙবীবা-খঙবীদবা অদুনা তোঙান্না থমখ্রগা ইমুং-মনুংগী, শাগৈ-নাতৈগী, কৈরোই-লৈকায়গী, খুন্নাইসিগী, লৈঙাক্লোনসিগী মরমদা ঙাঙনিংবা, ফোঙদোক্লিংবা, লাউনিংবা কয়া কোঙ্গায়নি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা কলম মচিন চৎলু য়াদবা তৌফম খঙদবা, নীংজিং-মাঙজিন্নবা, অফা-অপুন্নবসু হেক হেক য়াওরকই। মতুংদা পূক্লিংগী অনীংবা অপাম্বা মখল মথেল কয়া ফোঙদোকচনবগী অদুগুম্বা তাঞ্জা অদু ঙাইজবা তারে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# লাই তোম্বীনা ইবা *ইমানা হায়* মিংথোনবা শৈরেং-লাইরিক হিন্দী পরিষদতা ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা লাই তোম্বীনা ইবা *ইমানা হায়* মিংথোনবা শৈরেং-লাইরিক অমা ঙসি ওল্দ এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদতা ফোঙখ্রে।

ঙসি লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা-অইবী অমদি খোরিরোলবু নুংশিজবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুগী মনুং চন্না শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। শক্লাইরবা অইবা লাই তোম্বীনা ইবা *ইমানা হায়* মিংথোনবা শৈরেং-লাইরিক ফোঙবগী থৌরমগা ঈরোয়ননা অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপকী ২৯শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লম্লাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখি। লাইরিক ফোঙবা অদুগী থৌরম লোইরবা মতুং পাঙথোকখিবা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অদুদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী শরতচান্দ থিয়ামনা শৈদিন মপু ওইদুনা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা অমদি মশক নাইরবা অইবা ৩০ রোম্না মশা-মশানা ইবা শৈরেংশিংসু পাথোক্লখি। লাই তোম্বীনা ইবা *ইমানা হায়* মিংথোনবা শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা লাইরিক্কী ৱারোল শক্লাইরবা ক্রিটিক ওইনাম আনন্দনা মচা খায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শৈরেং-লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ফজরবা শৈরেং কয়াগী ৱাহন্থোক অমদি খুন্নাই অসিদা শৈরেং-লাইরিক অসিনা পীনিংলিবা পাউজেল মীয়ামদা পাউদমখিবগা লোয়ননা অইবা লাই তোম্বীগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

অইবা লাই তোম্বীনা *ইমানা হায়* মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসি ইনবা হোৎনখিবা মতমদা থেংনখিবা মহাক্কী অৱা-নুংঙাইগী মতাংদসু মচা খায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শৈরেং লাইরিক অসি ইদুনা মীয়ামদা শীন্নবগী মহাক্কী ৱাখল্লোন অদুসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা লূপকী প্রসিদেন্ট জিলা নেপ্রম, অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপগী সেক্রেটরি য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার, নহা ওইরিবা অইবা লন্দননচিংবসু শরুক য়াখি।


# 'স্মার্ট সোসাইটিনা থোরকপা চেরোল চৎনরোই'

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাইজিন খুনৌদা লৈবা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমীগা সলাইগী স্মার্ট সোসাইটিগা কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ২১দগী হীরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রে। মরম অসিনা সোসাইটি অসিনা থোক্লকপা চেরোল অমত্তা স্কুল অসিনা চৎনররোই হায়না স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এন সঞ্জয়না ফোঙদোরক্লি।

সেকমাইজিন খুনৌদা লৈবা স্কুল অসিদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা মীফম অমদা স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এন সঞ্জয়না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৯৪দা মিক ব্রাহিন্ট জুনিয়র হায় স্কুল হায়না লিংখৎলবা মতুং কুমজা ২০১১দগী সলাইগী স্মার্ট সোসাইটিগা খুৎশম্ন দুনা চলাইরকখিবা স্কুল অসি সলাইগী ওইনা খুদোংচাদবা কয়া লৈবদগী ২০২০গী সেপ্টেম্বর ২১দা এম দি এলাংবম ব্রোজেন য়াওবা মীফম অমনা স্কুল অসিগা সোসাইটি অসিগা মরী অমত্তা লৈনদ্রে হায়দুনা স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমনা চলাইদুনা লাকখি। মদুগী মতুংইন্না কোভিদকী ৱানরবা মনুং ফাওবা কম্মিটি অসিনা ওজা অমদি ষ্টাফশিংবু মতেং পাংদুনা লাক্লি। অদুবু পাউচে খরদা স্মার্ট সোসাইটিগা মরী অমত্তা লৈনখিদ্রবা স্কুল অসিগী মতাংদা স্মার্ট সোসাইটিনা স্কুলগী প্রিন্সিপাল, হেদ মাষ্টর শীনবা য়াওনা অনৌবা ওর্দর অমা থোক্লকপা অসি ঙক্তবা ঙমদে। হায়রিবা অনৌবা ওর্দর অসি স্কুল অসিদা চৎনরোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মিক ব্রাহিন্ট জুনিয়র হায় স্কুলগী কো-ফাউন্দর কে মনিহারনা ফোঙদোরকপদা, সলাইগী স্মার্ট সোসাইটিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রবা স্কুল অসিবু য়োন্থোকপা য়ানবা স্মার্ট সোসাইটিনা পায়খৎলক্লিবা অমদি থৌরাংলক্লিবা থবক অসি সেকমাইজিনগী মীয়াম্না কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। স্কুল অসিনা সেকমাইজিনদগী নোংমাইখোং ফাওবগী অমত্তা ঙাইরবা স্কুল ওইবনা স্কুল অসিগীদমক খুল অসিগী মীয়াম্নসু চপ চানা লেপ্তুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
* 45 Days Crash Course for NEET 2022
(Commencement Date - 10th May, 2022)
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class-IX to XII (NEET & JEE)
Commencement date-15th May, 2022
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan
ENROLL TODAY!

PHYSICS FACULTY

Er. Sundaram Kr.
B.Tech (CSE), PGPM/MBA
More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth) Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)

BIOLOGY FACULTY

Mr. Vishal Kumar
M.Sc. (Life Science)
10 years experience as Biology faculty for NEET

MATHS FACULTY

Mr. Basant Kumar
Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
Over 25 years of experience for JEE

CHEMISTRY FACULTY

Mr. Sujal Baroi
B. Tech, Electrical Engineering
6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Silliguri

ADMISSION
THROUGH SCHOLARSHIP TEST
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL/B/7601/14, 16-24

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৪।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা ;
শজিবুগী ১৭ নি পানবা।

**মেষ:** অরং-অরাক চেকশিল্লু, য়েক্লবনা হন্দুনা ঙাঙগনি-চিন য়াংগনু। মরুপ মপাংগা লোয়ননা পাঙবা থবক মহৈ য়ানগনি, শেন্দোং লৈ, য়েৎনবা কোক্কনি, লন চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** লৌশিং ফুদোক্লা অমদি হৈশিংনা থৌ পাঙবনা লনথুম তানশিনবা ঙমগনি। অনৌবা থৌরম পাঙবা য়াগনি অমদি নক্লবগী মতেং ফংগনি। হুরানবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** লন ফংবগী নুংঙাইজবা অমদি থাজদবা মরমদগীসু চাওনা কান্নবা ফংজগনি অমদি নিঙহন্নদনা হোৎনজবগী মহৈনা মীকোক থোংগনি। খুৎতি চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কর্কট:** অশাওবনা মাঙজবা, হন্থবা লোয়নবা অমদি ফিংবনা নুংশাথিবা নংবা য়াবা নুমিৎনি। অনিংবা থবক্তা নচাক নরল কায়দুনা থাদবা য়াগনি, থৌপাঙবা হৈশিংগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং লাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** খুরৌ থাংবা লৈররোই, ইমুং মনুংগী ৱা তাবা কান্নগনি, চাদিং হন্থহনবা ঙমগনি অমদি শেন্দোং চাওনা ফংগনি। অখঙ অহৈ শাবনা মাংওইনরদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কন্যা:** অচুম্বা উপাই ওইবা, নুংশিবা মরুপ মপাংগী ৱা-তাবা অমদি ইমুং মনুং লোইননা চৎপা নত্রগা লৌশিং চাওবগী ৱা তানা থৌ-পাঙবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** ৱাখল নুংঙাইবা, মীচং খোম্বসু মায় পাকপা অমদি ললোন ইতিক্তা চাওনা কান্নজবা নুমিৎনি। হকচাং কনখৎকনি অমদি মীয়ামগা লোয়নবা নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** ফমথোল ফংবগী নুংঙাইজবা, শিনবা লাংবা হৈবা, অরং-অরাক লৌশিনবা য়াবা অমদি ঙাং-শকপদা মীনা থাগৎপিবা নুমিৎনি। অশাওবদি ফাথৌ, হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না অশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** অনৌবা ৱাখল্লোন্না পাঙবা থৌরমদা চাওনা ওইজ-ওইথক ফংজরগনি, ৱাখলগী পাঙ্গল কনগনি অদুনা মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা অফবা থবক পাঙবা য়াগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীতোপ থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** ৱাখল থোক্কনি, নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি অদুনা নিংথিনা খন্থরগা খোংশালহৌবা য়াগনি। নচা-ননাইতা নত্তনা মীয়ামগী মতেং লৌবদা নচাক নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** মীকোক থোংবা পাম্লদি ইচং থৌনা মাঙলোমদা চংশিল্লু, খুদক্তা ৱারেপ লৌবসু মাঙবা লৈরোই। য়েক্লবনা অঙম্বদা লান্না পাউথোকপিবদি লৈগনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না অশা তৌরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** থিবা কনবগী কান্নবা, য়েৎনরম্বা কোকচদুনা লন ফংবা অমদি অফা-অপুন কোকচবা লৈ। অদুবু চিন শোয়রগা নরলদা তাইনগনি, অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনীংবা ফোঙদোকপা কান্নরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।